# ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী মনা পীবগী থৌরম থেংথগদৌরি : স্পোর্টস মিনিষ্ট্রি




ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩০ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লা চহী খুদিংগী লৈবাক অসিগী অফবা শান্নরোয়শিংদা পীবা নেসনল স্পোর্টস এৱার্দকী থৌরম অদু চহী অসিগী ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা থা অমা নত্রগা অনী চোন্থবা য়ানা লৈরি হায়না স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অমদা ইন্দিয়াগী অফবা শান্নরোয়শিংনা মখোয় মখোয়গী তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংদা ইন্টর্নেসনল কম্পিটিসনশিংদা ফজবা পর্ফোমেন্স উৎতুনা মকোক থোংবা নত্রগসু লম্বা তৌনবদা ফজবা ঙমখিবা অদুগীদমক চহীগী ওইনা নেসনল স্পোর্টস এৱার্দ পীবগী কুমজা ২০২০গী পাঙথোক্কদবা অদু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা থা অমা নত্রগা অনীরোম চোন্থরগনি হায়রি।

নেসনল স্পোর্টস এৱার্দশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অমনা শান্নবগী লমদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফংবা য়ারিবা মনা অদু রজিব গান্ধী খেল রত্না এৱার্দনি। এৱার্দ অসি তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংদা মকোক থোংলকপা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়দা পীবা মনানি।

রজিব গান্ধী খেল রত্না এৱার্দ অসিগী মথংদা তোঙান-তোঙানবা শান্নবগী ইভেন্টশিংদা ফজবা ঙমখিবা শান্নরোয়শিং অদুনা মখোয় মখোয়গী দিসিপ্লিনশিং অদুগী ওইনা এসোসিএসননা শান্নরোয়শিং অদুগী পর্ফোমেন্স য়েংলগা থাগৎলকপা নোমিনিশিং অদুদা আর্জুন এৱার্দ পীগদৌবিরনি।

স্পোর্টস দিসিপ্লিনগী ওইনা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা কোচশিংগী ওইবা খ্বাইদগী ফজবা দিসিপ্লিন অদুদা লমজিং লমতাক্লিবা কোচ অদুগী ওইনা দ্রোনাচারিয়া এৱার্দসু লৈরি। অদুগা চহী খুদিংগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী শান্নবগী খ্বাইদগী থাক ৱাংলিবা ইন্সটিট্যুট অমা ওইরিবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগা খুৎশম্নরগা শান্নবগী মনাশিং অসি পীবনি।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা শান্নবগী মনা অসি থেংথবগী পোরম পুন্নমক পাঙথোকখ্রবা মতুং লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি খোঙথাং অসিগী মতাংদা ৱাফম ফোঙদোকপা লৈত্রি হায়রি।

# সেরি এ ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০

# চেম্পিয়ন ওইখ্রবা জুবেন্টস ফুটবোল ক্লবপু কাগ্লিয়ারিনা পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে, রোমা অমসুং ফ্যুরেন্টিনা মায় পাকখ্রে






রোম, জুলাই ৩০ (এজেন্সী):
য়ুরোপকী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা পাঙথোকপা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা য়াম্না মমিং লৈরবা অমা ওইরিবা ইটালিগী সেরি এগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৩৭শুবা রাউন্দ মেচ অমদা লীগ অসিগী টাইটল মাংজৌননা লৌবা ঙমখ্রবা জুবেন্টস ফুটবোল ক্লবপু কাগ্লিয়ারি এফ সীনা পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেচ অনীদা রোমা অমসুং ফ্যুরেন্টিনা মখোয় মখোয়গী লম্বাবু থোইবা ঙমখ্রে।

ইটালিগী সেরি এনা শরুক য়ারিবা মমাঙদা টাইটল কয়া লৌবা ঙমখ্রবা অমদি লীগ অসিগী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইরিবা জুবেন্টসনা লীগ অসিগী অপুনবা রাউন্দ ৩৮ য়ৌদ্রিঙৈগী মাংওইননা মখোয়গা খ্বাইদগী নক্নবা লম্বা ওইরিবা ক্লব অদুদগী পোইন্ট চাওনা হেন্দুনা লৈখিবা মরম্না টাইটল লৌবা ঙমখ্রবনি।

অদুবু লীগ অসিগী মখা চত্থরকপা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৩৭শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা জুবেন্টসপু লীগ অসিগী ওইনা ১৩শুবা পোজিসনদা লৈখিবা কাগ্লিয়ারিনা পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা কাগ্লিয়ারিগী ওইনা হান্না লৈরম্বা ১৪শুবা পোজিসনদগী হায়গৎলগা ১৩শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি।

জুবেন্টস অমসুং কাগ্লিয়ারিগী লম্বা অদুদা অহানবা হাফতা কাগ্লিয়ারিগী গাগ্লিয়ানোনা ৮শুবা মিনট অমসুং টিমমেট জিয়োভানি সিমোন্সনা ৪৫শুবা মিনটতা মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল অনী চন্দুনা জুবেন্টসপু ২-০দা মাংজিল থাখিবা অদু মেচকী অনীশুবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা জুবেন্টসকী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা কাগ্লিয়ারিনা ২-০দা থোইখি।

ইটালিগী সেরি এগী ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা ফ্যুরেন্টিনানা বোলোগনাবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ৪৬ ফংলগা ১০শুবা পোজিসনদা হায়গৎপা ঙমখি।

ফ্যুরেন্টিনাগী মায়কৈদগী ফেদিরিকো চৈসানা শান্নবগী ২শুবা হাফতা পাঞ্জল ৩ চন্দুনা হেটট্রিক ফংবা ঙমখি। অদুগা টিম অদুগী অতোপ্পা পাঞ্জল অদুনা নিকোলা মিলেনকোবিসনা চনখিবনি।

সেরি এগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা ৪শুবা থাক্তা লৈখিবা রোমানা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩৭শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা টোরিনোবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইবা ঙমখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফ হৌরকপদা লীগ অসিগী ১৬শুবা পোজিসনদা লৈরিবা টোরিনোগী মায়কৈদগী এলেক্স বেরেঞ্জরনা ১৪শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনখি। মিনট ২ লৈরগা রোমাগী ইদিন জেকোনা ইক্কেলাইজর অদু চনখি। রোমাগী খৃষ্টনা ২৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনশিনখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা টিম অদুগী অমাদোনা ৬১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ৩-১দা মাংজিল থাখ্রবা মতুং শান্নবগী ৬৫শুবা মিনটতা টোরিনোগী মায়কৈদগী ৱিলফ্রেদনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেচ অদু রোমানা পাঞ্জল ৩-২দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা পুন্না পোইন্ট ৬৭ ফংলগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Juventus | 37 | 26 | 5 | 6 | 75 | 40 | 35 | 83 |
| 2 | Inter | 37 | 23 | 10 | 4 | 79 | 36 | 43 | 79 |
| 3 | Atalanta | 37 | 23 | 9 | 5 | 98 | 46 | 52 | 78 |
| 4 | Lazio | 37 | 24 | 6 | 7 | 78 | 39 | 39 | 78 |
| 5 | Roma | 37 | 20 | 7 | 10 | 74 | 50 | 24 | 67 |
| 6 | Milan | 37 | 18 | 9 | 10 | 60 | 46 | 14 | 63 |
| 7 | Napoli | 37 | 17 | 8 | 12 | 58 | 49 | 9 | 59 |
| 8 | Sassuolo | 37 | 14 | 9 | 14 | 69 | 62 | 7 | 51 |
| 9 | Verona | 37 | 12 | 13 | 12 | 47 | 48 | -1 | 49 |
| 10 | Fiorentina | 37 | 11 | 13 | 13 | 48 | 47 | 1 | 46 |
| 11 | Parma | 37 | 13 | 7 | 17 | 52 | 54 | -2 | 46 |
| 12 | Bologna | 37 | 12 | 10 | 15 | 51 | 64 | -13 | 46 |
| 13 | Cagliari | 37 | 11 | 12 | 14 | 52 | 53 | -1 | 45 |
| 14 | Udinese | 37 | 11 | 9 | 17 | 36 | 51 | -15 | 42 |
| 15 | Sampdoria | 37 | 12 | 5 | 20 | 47 | 64 | -17 | 41 |
| 16 | Torino | 37 | 11 | 6 | 20 | 45 | 67 | -22 | 39 |
| 17 | Genoa | 37 | 9 | 9 | 19 | 44 | 73 | -29 | 36 |
| 18 | Lecce | 37 | 9 | 8 | 20 | 49 | 81 | -32 | 35 |
| 19 | Brescia | 37 | 6 | 6 | 25 | 34 | 78 | -44 | 24 |
| 20 | SPAL | 37 | 5 | 5 | 27 | 26 | 74 | -48 | 20 |

# ন্যু দিল্লিগী করনি সিংহ ষ্টেদিয়মদা কোচ ১ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখ্রে




ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩০ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা লৈবা ডা. করনি সিংহ শুট্টিং রেঞ্জতা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা লমজিংদুনা ওগষ্ট ১দগী পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রেনিং কেম্প অদুগী মাংওইননা শুট্টিংগী কোচ অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখ্রে। অদুবু শুট্টিং রেঞ্জ অদুদা মখা তাবা ট্রেনিং চত্থবগী থবক থৌরমশিং হোংদোকপা লৈত্রি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ঙসি থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না ডা. করনি সিংহ শুট্টিং রেঞ্জ অদুদা কোচ অমগী থৌদাং লৌরিবী নুপী ওফিসল অদু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না ঙরাং অথেংবদা ফোঙদোরকখিবনি। মহাক্না শুট্টিং রেঞ্জ অদুদা অতোপ্পা শুট্টর অমদি ওফিসলশিংগা নক্নরুবা লৈতবা মরম্না হান্না লেপখিবা ট্রেনিং তৌবগী মতম অদু য়েথোক্লরোই হায়না স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। কেম্প অদুগীদমক্তা রোনক পন্দিতপু কেম্প অদুদা নোদল ওফিসর ইন চার্জগী থবক পুহনগদৌরি।

# ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিশ্বানাথন অনন্দ মনিংদা লৈহৌরে, লিজেন্স ওফ চেছকী সেমীফাইনেল হয়েংদগী হৌরগনি



ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩০ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লৈরিঙৈ মনুংদা চেছ মশান্নগী ওইনা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবা নোরৱেগী গ্রান্দমাষ্টর মেগনস কালর্সননা শীন্দুনা চত্থরকপা চেছ টুরগী মনুং চনবা লিজেন্স ওফ চেছ ওনলাইন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিশ্বানাথন অনন্দ শান্নরোয় ১০গী লম্বদা ৯শুবা পোজিসনদা লৈহৌরে। টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল হৌরগনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা লিজেন্স ওফ চেছ ওনলাইন টুর্নামেন্টকী ৯শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী মমাঙদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৫রক ওইরবা ঙমখ্রবা গ্রান্দমাষ্টর বিশ্বানাথন অনন্দ য়ুক্রেনগী শান্নরোয় বাসিল ইভানচুক্কী মখুৎতা মায়থীবা নংদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৯শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখিবনি।

অনন্দ অমসুং ইভানচুকনা লম্বা তৌনখিবা ৯শুবা রাউন্দ অদুদা অহানবা গেম ৪ দ্রো চৎনদুনা পোইন্ট ২-২দা লৈনখি। অদুগা টাইব্রেক ওইখিবা মঙাশুবা অরমাগেদনগী মেচ অদু ইভানচুকনা অমুবা মচু পায়রগা শান্নবদা দ্রো চৎখিবদগী অনন্দ মায়থীহৌবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক থোংবা শান্নরোয় ৪ সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবশিং অদুদি ৱর্ল্ড নম্বর ১ নোরৱেগী মেগনস কালর্সন অমসুং রসিয়াগী শান্নরোয় পিটর স্বিদলরনি। অদুগা অতোপ্পা সেমীফাইনেলদা নেদর্লেন্দসকী গ্রান্দমাষ্টর অনিস গিরি অমসুং রসিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় ইয়ান নেপোমনিয়াচিনি। শান্নরোয় মরিনা সেমীফাইনেল অদু রাউন্দ অনী থোক্লা লম্বা তৌনরবা মতুং মায় পাক্লকপা শান্নরোয় ২ ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরি।

লিজেন্স ওফ চেছ হায়না মিংথোল্লিবসি চহী ৪৫ মথক্তা লৈরিবা শান্নরোয় ৫ অমসুং চহী নৌরিবা শান্নরোয় ৫গা লম্বা তৌনরকপা মরম্না ওইখি। সেমীফাইনেলদা চহী নৌরিবা শান্নরোয় ৩গা লোয়ননা রসিয়াগী চহী য়াম্লবা পিটর স্বিদলর য়াওরগা হয়েংদগী লম্বা তৌনরগনি।

# ষ্টেদিয়মদা চঙবা য়াদবা মরম্না চাইনাগী ফুটবোল ভাবোকশিংনা অনকপদা লৈবা হোটেলশিংদা বুক তৌদুনা মেচশিং অদু থোংনাওদগী মীৎয়েং তাখ্রে



বৈজিং, জুলাই ৩০ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী হৌরকফম ওইরিবা চাইনাদা মতম শাংনা লোকদাউন থম্লুরবা মতুং লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট শান্ননবা হৌখিবগা লোয়ননা ষ্টেদিয়মদা চংদুনা য়েংবা ফংখিদ্রবা ভাবোকশিংনা ষ্টেদিয়মগী মনাক্তা লৈবা হোটেলশিংদা বুক তৌদুনা থোংনাওদগী মেচশিং অদু মীৎয়েং তাখ্রে।

কুনশান ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা চাইনিজ সুপর লীগকী মেচ অমদা সাংহায় এস আই পি জিনা টিয়ানজিন তেদাবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি। হায়রিবা মেচ অদু লৈবাক অদুগী কোভিদ-১৯গী চৎনা কাংলোনগী মতুং ইন্না ভাবোক অমত্তা ষ্টেদিয়মদা চংহনখিদ্রবা মরম্না ষ্টেদিয়ম অদুগা নক্না লৈবা স্পোর্টস ইন্টর্নেসনল হোটেলদা টিম অনীমক্কী ভাবোকশিংনা মাংজৌননা বুক তৌদুনা হোটেলগী থোনাও অমদি বেলকোনিদগী মেচ অদু মীৎয়েং তাখ্রে হায়রি।

চাইনিজ সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি পুন্না টিম ১৬না শরুক য়ারিবনি। গ্রুপ অনী থোক্লা রুন্দ রোবিন ফ্রোমেটতা শান্নরবা মতুং গ্রুপ অমমমদগী মকোক থোংবা টিম ৪/৪না চেম্পিয়নশিপ ষ্টেজতা ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি। অদুগা লেমহৌবা টিম ৮না রেলিগেসন জোনদা চংদনবা প্লে ওফ মেচশিং শান্নগদৌরি।

চাইনাগী ন্যুজ এজেন্সীনা ফোঙদোরকপা ৱারোল অমদা চাইনিজ সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি থা ৫ রোমগী মনুংদা হৌরকপা অসিদা পুন্না মরী লৈনবা মীওই ১৮৭০ কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ অমত্তা ওইখিদে।

# ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টরনা লুপা লাখ ৫ সেঙ্কসন তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩০ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ঙসি হরিয়ানা ষ্টেটতা বেজ তৌবা ৱুসু দিসিপ্লিনগী শান্নরোয় সিক্সানা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিগী অথিংবা কয়া লৈরিঙৈ অসিদা কা হেন্না ৱারকপদগী ফার্মদা চৎতুনা থবক শুবা হৌখ্রবী অসিগীদমক্তা লুপা লাখ ৫গী সেঙ্কসন তৌখ্রে।

স্পোর্টস মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা ৱারোল অমদা মশাগী চহী ২২ খক্তা ঙাইরিবী হরিয়ানাগী সিক্সানা ষ্টেট অদুগী ৱুসু চেম্পিয়নশিপ্তা পুন্না গোল্ড মেদল ২৪ ফংদুনা তুংদা ইন্দিয়াগী ওইবা ইন্টর্নেসনল কম্পিটিসনশিংদা মিংচৎ পুরকপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরিবা শান্নরোয় অমনি। স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী সিক্সাগীদমক্তা পন্দিত দিন দয়াল উপাধে নেসনল ৱেলফেয়র ফন্দ ফোর স্পোর্টস পার্সনগী খুথাংদা লুপা লাখ ৫গী মতেং পীখি। সিক্সানা ফোঙদোরকপদা পীরক্লিবা মতেং অসি থাগৎপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগীদমক্তা গোল্ড মেদল লৌনবা হোৎনগনি হায়খি।

# এ আই এফ এফনা ওনলাইনদা পাঙথোক্কদবা রেফরিস কোর্সকী ওফিসল ৪৭কী মনুংদা মণিপুরদগী থুম্লি জোইসিং মোনশাং য়াওখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩০ (এজেন্সী):
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)না থাদোরকপা চেরোলগী মতুং ইন্না মথং থাগী ৭ অমসুং ৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওনলাইন রেফরিজ কোর্সতা পুন্না লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট অমসুং স্পোর্টস ফেদরেসনগী রেফরি ৪৭ য়াওননবা পীরকখিবা চেরোলদা মণিপুরদগী থুম্লি জোইসিং মানসাং য়াওখ্রে।

এ আই এফ এফকী মায়কৈদগী ঙরাং তোঙান-তোঙানবা ফেদরেসন অসিগী মখাদা এফিলিয়েট তৌরবা ষ্টেট ফুটবোল এসোসিএসন অমদি অতোপ্পা ফুটবোল এসোসিএসনশিংদা ওগষ্ট ৭ অমসুং ৮দা রেফরিশিংগী ওইবা ওনলাইনগী কোর্স অমা পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোরকপনি।

ওগষ্ট ৭কী ওইনা নুমিদাংৱাইরম পুং ৫দগী হৌরগা পুং ৭ ফাওবা ওনলাইন কোর্স অদু পাঙথোক্কনি। অদুগা ওগষ্ট ৮গী ওইনদি অয়ুক্কী পুং ১০দগী হৌরগা নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা অহানবা সেসন অমা পাঙথোক্লবা মতুং অনীশুবা সেসনগী ওইনা নুমিদাংৱাইরম পুং ৫দগী হৌরগা পুং ৭ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়রি।

শরুক য়াগদৌরিবা রেফরি ৪৭ অদুনা মশা মশাগী ওইবা লেপটোপ্তা ইন্টর্নেট কনেক্সন মপুং ফানা থমদুনা জুম এপ্লিকেসনদা হায়রিবা নুমিৎ নীনিগী ওইবা পীরিবা মতমশিং অদুদা শরুক য়াবা য়াগনি হায়রি।

এ আই এফ এফকী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরকপদা ওনলাইন কোর্সশিং অদুগী ওদিও অমদি ভিদিওশিং অদু রেকোর্দিং তৌবা য়ারোই হায়রি।

কোর্স অদুদা ইন্দিয়ন ফুটবোল এদাদেমিগী মায়কৈদগী রেফরি ১০, দিল্লিদগী ৬, কেরালাদগী ৮, টামিল নাদুদগী ৫, মেঘলয়াদগী ৩, কর্নাটকাদগী ৩, ৱেষ্টর্ন ইন্দিয়া ফুটবোল এসোসিএসনদগী ৩, অসাম, মণিপুর, ঝরখন্দ, গোৱা, গুজরাট, উত্তর প্রদেশ অমসুং এস এস সী বিদগী রেফরি অমমম অমসুং চান্দিগরদগী ২ হায়রিবা কোর্সসিদা শরুক য়াগদৌরি।

# এসলি বার্তি য়ু এস ওপন টুর্নামেন্টতগী ৱিটদ্রো তৌখ্রে

সিদনি, জুলাই ৩০ (এজেন্সী):
মালেমগী নুপীগী টেন্নিসকী লমদা সিঙ্গলসকী নম্বর ১ শান্নরোয় ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়া মচা এসলি বার্তি চহী অসিগী ওইনা ওগষ্ট ৩১দগী সেপ্টেম্বর ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুএস ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টতগী ৱিটদ্রো তৌখ্রে।

ৱর্ল্ড নম্বর ১ নুপীগী টেন্নিস শান্নরোয় এসলি বার্তিনা ঙসি ফোঙদোরকপা ৱাফম অমদা মালেম শীনবা থুংনা লাম্হেং চত্থরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মায়োক্ক রিঙৈ অসিগী মনুংদা টেন্নিস মশান্নগী ওইনা য়ু এস এদা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী অসিগী মমিং লৈরবা টেন্নিসকী গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা য়ু এস ওপনদা মহাক শরুক য়াররোই হায়রকখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, য়ু এস এনা ঙসি ফাওবগী মনুংদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা শোকহনবা লৈবাকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না চৈথেং ফংবা লৈবাক ওইরিবনি।

# এ আই এফ এফ-এস এ আইগী অপুনবা কোর্সনা কান্নবা কয়া পীবা ঙমগদৌরি : গৌরমঙ্গি মোইরাংথেম




ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩০ (এজেন্সী):
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)না স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই)গা খুৎশম্নরগা থা অসিগী ২৭তগী পাঙথোরকপা নুমিৎ ৪নিগী ওইবা স্পেসল রিকনভর্সন কোর্সনা তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল মশান্ননা লৈবাক অসি চাওখৎননবা হোৎনবদা কান্নবা কয়া অমা পীবা ঙমগদৌরি হায়না মমাঙদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম কেপ্টেন ওইরম্লবা গৌরমঙ্গি মোইরাংথেমনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা বেঙ্গালুরু ফুটবোল ক্লবকী কোচকী থৌদাং লৌরিবা গৌরমঙ্গি মোইরাংথেমনা নুমিৎ মরিনিগী ওইবা এ আই এফ এফ অমসুং সাইগী অপুনবা স্পেসল রিকনর্বসন কোর্স অদুনা ইন্দিয়াগী ফুটবোল চাওখৎননবা হোৎনবদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল ক্লবশিংগী কোচশিংদা অহেনবা কান্নবা কয়া অমা পীবা ঙল্লগনি হায়খি।

নুমিৎ মরিনিগী ওইবা স্পেসল রিকনর্বসন কোর্স অদুদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল কোচ ৪৮না শরুক য়াখি। কোর্স অদুদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা লৈরিবা কোচশিংদা অনৌবা কোচিংগী চৎনা কাংলোনশিংগী মতাংদা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী মতেং লৌরগা অনৌবা কান্নবা কয়া অমা পীখি হায়রি।

নুমিৎ মরিনিগী ওইবা কোর্স অদুদা এ আই এফ এফকী টেক্নিকেল দিরেক্টর ইসাক দোরু, ফেদরেসন অসিগী হেদ ওফ কোচকী থৌদাং লৌরিবা সাবিয়ো মেদেরা, ফুটবোল স্পোর্টস দিভলপমেন্টকী জেনরেল মেনেজর চিরাক টনা লোয়ননা কুমজা ২০১১দা মরু ওইবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমদা শান্নরম্বা গৌরমঙ্গি মোইরাংথেম, ক্লিফোর্দ মিরান্দা, সুব্রতা পোল অমসুং মহেরাজ উদ্দিন শরুক য়াখি।

# বিকাস কৃষ্ণননা পাটিয়ালাগী নেসনল কেম্প য়াওবগী মহুৎতা য়ু এস এগী প্রোফেস্নেল বাউটতা মায় ওনশিনবা পাম্লি



বেঙ্গালুরু, জুলাই ৩০ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংগী মনুংদা টোকিও ওলিম্পিক্সকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা বিকাস কৃষ্ণননা শেম শাবগী ওইনা পঞ্জাবকী পাটিয়ালাদা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসতা কোচিং কেম্প শরুক য়াগদবা অদুগী মহুৎতা য়ু এস এদা প্রোফেস্নেল বাউটশিংদা শরুক য়ানিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক হৌজিক বিকাস কৃষ্ণনন বেঙ্গালুরুদা লৈবা ইন্সপায়র ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসতা অতোপ্পা মহাক্না নক্নবা প্রোফেস্নেল বোক্সর অমা ওইরিবা নিরজ গোয়টকা অকনবা ট্রেনিং চত্থরি। পনবা য়াবদি, পঞ্জাবকী পাটিয়ালাদা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টস কোভিদ-১৯গী ক্বারন্টিনগী চৎনা কাংলোনশিং ঙাকখিদে হায়বগী মরালদা মহাকপু ট্রেনিং কেম্প অদুদগী চৎখিনবা হায়রকখিবনি।

বিকাসনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা মহাক স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মখা তানা পাটিয়ালাগী এন আই এসতা চত্থরিবা ট্রেনিং কেম্প অদু শরুক য়াবা য়াহনবগী ৱারোল পীরক্লবসু মহাক মফম অদুদা চৎলরোই। মদুগী মহুৎতা য়ু এস এদা কিলোগ্রাম ৬৯ (ৱেল্টর ৱেথ)দা শান্নরিবা অদুদগী কিলোগ্রাম অমা হেনগৎলগা প্রোফেস্নেল কম্পিটিসনদা শরুক য়াদুনা ওলিম্পিক্সকী শেম শানবা হোৎনগনি হায়রি।

চহী অমা য়েথোকখ্রবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অদুগীদমক শেম শাননবা য়ু এস এগী প্রোফেস্নেল বোক্সিংদা শরুক য়ারগনি। মহাক্না পাটিয়ালাগী কেম্পতা অকায়বা অমত্তা তৌখিদে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com